চাইনানা ভুটানগী লমদা অনৌবা ভিলেজশিং শেমগৎলে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১৮ (এজেন্সী): চাইনানা হৌখিবা চহীদা দোক্লামগা নক্লবা ভুটানগী লম শরুক্তা অনৌবা ভিলেজ মরি শেমগৎখি হায়বসি অনৌবা সেটলাইট ইমজেশিংনা উৎলি হায়রি।

কুমজা ২০২০গী মে অসুং কুমজা ২০২১গী নভেম্বরগী মরক্তা চাইনাগী পীপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)না স্কৱার কিলোমিটর ১০০ রোম পাক চাওবা লমদা ভিলেজ মরি শেমগৎখি হায়বসি সেটলাইট ইমেজ শিংদুনা উৎলি।

ভুটানগী লমদা অনৌবা ভিলেজশিং শেমগৎপগী থবক অদু পি এল এনা ইষ্টর্ন লাদাখ অমসুং সিক্কিম সেক্টরগী মফম কয়াদা হায়বদি ইনিদয়াগী লমদা চঙশিল্লকখিবা মতমদা হৌখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

কুমজা ২০১৭তা দোক্লাম প্লাটুদা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং চাইনাগী পি এল এগী মরক্তা নুমিৎ ৭০নি হেন্না মুক্নখিবনি। ইন্দিয়ন ট্রুপশিংনা প্লাটু অদুবু কন্নবা থৌনা খরা ফূদোক্লুবদগী চাইনীজ ট্রুপশিং মফমদুদগী হন্দোকখি।

দোক্লাম অসি ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং ভুটানগী ত্রাই জঙ্কসনদা লৈবা প্লাটু অমগা ভেলি অমগা য়াওবা স্কৱার কিলোমিটর ১০০ পাক-চাওবা লমনি। মদু টিবেটকী চুম্বী ভেলি, ভুটানগী হা ভেলি অমসুং ইন্দিয়াগী সিক্কিমনা কোইশিল্লি।

কুমজা ২০১৭তা চাইনানা দোক্লামদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী থবক পায়খৎলকপদা ইন্দিয়ানা অথিংবা পীখি।

মতমদুদা চাইনানা ভুটান অমসুং চাইনাগী মরক্তা বাউন্দরিগী য়েৎনবা লৈ হায়না ক্লেম তৌরবসু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা থমখিদে। অদুম ওইনমক, চাইনীজ ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌরকপদা য়ানিংদবা উৎতুনা ইন্দিয়ানসু মফমদুদা ট্রুপশিং থাজিন্দুনা নাকল অনীগী মরক্তা নুমিৎ ৭৩ নি মুক্নদুনা লৈখি।

হৌখিবা থাদা চাইনা অমসুং ভুটাননা মখোয়গী বাওন্দরিগী য়েৎনবশিং লৈখাই তানবা ষ্টেপ অহুম রোদমেপ অমগা মরী লৈননা পেক্ট অমা খূৎয়েক পীনখি। মদুদা ইন্দিয়ানা ওইরক্লিবা খোঙথাং অদু য়েংশিল্লি হায়খি। ভুটান অমসুং চাইনাগী মরক্তা কুমজা ১৯৮৪দা বাওন্দরিগী নিগোসিএসন তৌখি।

নাকল অনীনা বাওন্দরিগী ৱারী ২৪ রক শানখিবগা লোয়ননা এক্সপর্ট গ্রুপ লেভেলদা মীফমদা ১০রকসু পাঙথোকখ্রে। মমাঙদা চাইনানা ভুটানগী লমদা হেঞ্জিল্লকখিবদা ভুটাননা হঞ্জিন হঞ্জিননা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী স্পোক্সপর্সন গৌরভ ভাল্লভনা হায়, খ্বাইদগী নৌবা সেটলাইট ইমেজশিং অসিনা দোক্লামগা নক্লনা চাইনানা ভুটানদা ভিলেজ মরি শেমগৎতুনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মফম অদুগী লম স্কৱার কিলোমিটর ১০০ পায়শিনখ্রে হায়বসি উৎলে।

মহাক্লা বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টপু নেসনল সিক্যুরিটি অমদি ইন্দিয়াগী টেরিটরিগী ইন্টিগ্রিটি কমপ্রোমাইজ তৌবগী মরাল শীখি অমসুং দোক্লাম প্লেটুগা নক্লনা অনৌবা চাইনীজ ভিলেজশিং শেমগৎলক্লিবা অদুদা তূমিন্না লৈশিল্লিবা করিগীনো হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা হংখি।

ন্যু দেল্লীদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা গৌরভনা হায়, চাইনানা ঐখোয়দা চত্থরক্লিবা অকল-অরিংগী থৌওং খূদিংমক ঐখোয়না খাঙদুনা লৈরি।

লৈবাক অসিনা চাইনাগী থৌওংশিং অসিদা হৌজিক ফাওবদা করিমত্তা তৌদনা লৈথোক্লি। ঐখোয়না প্রাইম মিনিষ্টরদা মীয়ামগী চিংনবশিংগী পাউখুম পীনবা দিমান্দ তৌরি। হন্দকসু মোদি গভর্ণমেন্টনা মীয়াম্না করিমত্তা ঙাকপীনিংঙাই ওইদবা মওংদা নেসনল সিক্যুরিটি অমসুং ইন্দিয়াগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা শীংনহল্লে।

পোষ্ট-মোর্টেম রিপোর্ট থিন্থবগী দোক্টর অহুম, স্বীপর অমা বূক তৌখ্রে

সম্ভাল (য়ুপি), নভেম্বর ১৮ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশ লৌমী অমগী পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট মরম চাদনা থিন্থবগীদমক্তা দোক্টর অহুম অমসুং স্বীপর অমা বূক তৌখ্রে।

বাহজোইপুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর অজয় সিংহনা ফোঙদোরকপদা, দোক্টর অহুম ডা. খিলেন্দ্রা সক্সেনা, ডা. সৌভির সিংহ অমদি ডা. রাজ কিশোর লোয়ননা স্বীপর অমগী মায়োক্তা আই পি সীগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌরে। মোর্চুঅরি ক্যেরটেকর হির্দেশ কুমার করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বসু য়েংশিল্লি। হৌজিক ফাওবদা মীফা-মীপূন তৌবা লৈত্রি।

পুলিস ওফিসর অসিগী মতুং ইন্না, সামভালদা লৌমী অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৬০ শুরবা রামভির ওটোপসি রিপোর্ট লৌনবা মহাক্কী ইমুংনা বহাপুর পার্টির ভিলেজদা লৈবা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদা হঞ্জিন হঞ্জিন চৎখি।

হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকপদা, নভেম্বর ১১দা দ্যুটি তাখিবা দোক্টর অদুনা মহাক অচিনবা খরা লৈরে হায়রদুনা মহাক্কী কোলিগতা ওটোপসি পাঙথোক্নবা হায়খি। কোলিগ অদুনা ওটোপসি অদু পাঙথোকখি, তৌইগুম্বসুং মদুগী রিপোর্টতু পুলিস নৎত্রগা লৈখিদ্রবগী ইমুংদা শিন্নখিদে।

ওটোপসি রিপোর্ট থিন্থবগী মরম হংবদা সামভালগী চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও) ডা. অজয় কুমার সক্সেনানা হায়খি, দোক্টর অদুবু কন্টেক্ট তৌদুনা হংবদা মহাক্লা ওটোপসি পাঙথোকখিদে হায়রকখি।

কেস অদুদা অরানবা খরা য়াওরম্বা য়াই হায়না চিংনবগা লোয়ননা সী এম ওনা সামভাল পুলিসতা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখি। মহাক্লা হায়খি, ডা. খিলেন্দ্র সক্সেনানা পোষ্ট-মোর্টেম অদু পাঙথোকখি। স্বীপরগী মতুংইন্না, অতৈ দোক্টর অনীসু নুমিদাংদুদা মোর্চুঅরিদা লাকখি। স্বীপরগী ৱাফমদু চুম্বা হায়বদু খঙনবা ডা. খিলেন্দ্র সক্সেনা কন্টেক্ট তৌবদা মহাক্লা ওটোপসি পাঙথোকখিদে হায়রকখি।

ওটোপসি রিপোর্টপীবদা থিন্থরদুনা পুলিস ইনভেষ্টিগেসনদসু অপনবা ওইরে, লিগেল এক্সন লৌখৎপা নত্তনা অতৈ ওপসন লৈতে হায়না সী এম ওনা ফোঙদোকখি।

পুলিসকী অরানবা থৌওং য়াওখ্রবদি চুমথোকপা য়াই: জে এন্দ কে দি জি পি

শ্রীনগর, নভেম্বর ১৮ (এজেন্সী): হাইদরপোরাদা থোকখিবা মীওই মরি শিখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্কী মতাংদা জে এন্দ কেগী লেফটনেন্ট গভর্ণরনা শগোলশেন নুমিৎতা মেজিষ্ট্রিএল ইনক্বাইরি অমা ওর্দর তৌখিবগা লোয়ননা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) দিলবাস সিংহনা হায়খ্রে মদুদি অরানবা তৌখিবা লৈরবদি পুলিসনা মদুবু চুমথোকপগী ৱাফম য়াই।

শগোলশেনগী অঙনবদা লেফটনেন্ট গভর্ণর মনোজ সিনহানা হাইদরপোরাগী থৌদোক অদুগী মতাংদা অকক্লবা মতমগী মনুংদা মেজিষ্ট্রিএল ইনক্বাইরি অমা পাঙথোক্লবা ওর্দর তৌখি। পুলিসকী মতুং ইন্না হাইদরপোরাদা খূৎ থোক্লখিবা অদুদা ফোরেন টেররিষ্ট অমা, লোকল এসোসিএট অমা, অলতাফ (খূৎ থোক্লফম বিল্ডিংদুগী মপু) অমসুং ডা. মুদাসির (বিল্ডিং অদুগী অশানবা ফ্লোর ১দা কোল্ড সেন্টর হাংবা, তৌইগুম্বসুং টেররিষ্টশিংদা মতেং পাংবা মীশক) শিখি।

বিল্ডিং মপু অলতাফ অহন্মদ অমসুং ডা. মুদাসিরগী ইমুংশিংনা অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোক্লবা মখোয়গী হকচাংশিংদু পীরক্লবা দিমান্দ তৌখি। মীচম অনীদু লালহৌবগী ঈরাংগা মরী লৈনৈ হায়বসি প্রুভ তৌনবসু ইমুংশিং অদুনা ওথোরিটিশিংবু চেলেঞ্জ তৌখি।

হকচাংশিং শিন্নরক্লবা ইমুং মনুংশিংনা তৌবা দিমান্দ য়াখিদ্রবা মতুংদা হাইদরপোরাগী থৌদোক্তা শিখিবা মরিমক ওথোরিটিশিংনা নোর্থ কাশ্মিরগী হান্দৱারা টেহসিলদা ফূমখি। দি জি পি দিলবাগ সিংহনা পাউমী খরদা হায়খি, ইমুং মনুংশিংগী দিমান্দশিং ঐখোয়না য়েংশিনগনি। অরানবা য়াওখিবা ওইরবদি ঐখোয় মদুবু চুমথোকপা পাম্মী। করি অরানবা য়াওখিবনো হায়বসি পুলিসনা প্রোব তৌবদসু খঙগনি।

বিটকোইন স্কামগী কিংপিন লোৎখ্রে

বেঙ্গলুরু, নভেম্বর ১৮ (এজেন্সী): বিটকোইন স্কেন্দলগী কিংপিন শ্রীকৃষ্ণ রামেশ লোৎখ্রে। মহাকপু সিক্যুরিটি পীনবা কর্ণাটাকা গভর্ণমেন্টনা পুলিসতা ইন্সট্রক্সন পীখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। একুজ অদু মোবাইল ফোন স্বিটসওফ তৌরগা লোৎখ্রে। মহাক কদাইদা লৈবগে হায়বগী মতাংদা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংদা লংলা-লংজিল অমত্তা লৈতে।

একুজ অদুগী পুন্সিদা অকিবা পীবা লৈরম্বা য়াই হায়রদুনা ওপোজিসন লীদর সিদ্দারামাইয়ানা কন্না তকশিনবদগী মহাকপু সিক্যুরিটি পীনবা কর্ণাটকা পুলিসতা ইন্সট্রক্সন পীখি। লুপা ক্রোর লিশিং কয়া চেন্নবগা লোয়ননা মতিক ময়াই লৈরবা পোলিটিসন কয়া একুজ অসিগা থবক তৌমিন্নবনা মহাক্কী পুন্সি খুদোংথীনিংঙাই ওই হায়না সিদ্দারামাইয়ানা ক্লেম তৌখিবনি।

পুলিস দিপার্টমেন্টনা সিক্যুরিটিগীদমক মঙোন্দা গনমেন অমা পীনবা ৱারেপ লৌখি। পুলিসনা একুজ অসিবু উনবা হোৎনরকপদা মহাক ফংখিদে। ইমুংনা মহাক লৈতে হায়রকখি। হৌজিক পুলিস দিপার্টমেন্ট অৱাবা ওইরে। একুজ অসিদা করিগুম্বা অমা থোকপা তারবদি পোলিটিকেল ঈরাং লাকপা য়াই হায়না পুলিসনা কিরি।

ষ্টেট হায়ৱে ৮ এন ঐচ ওন্থোক্লবা প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে

চেন্নাই, নভেম্বর ১৮ (এজেন্সী): ষ্টেট হায়ৱে নিপাল নেসনল হায়ৱেশিং ওন্থোক্লবা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ-ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজদা দিরেক্সন পীনবা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা শগোলশেন নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা তকশিনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরদা ইবা লেট্টর অমদা ষ্টেলিননা হায়, ষ্টেট হায়ৱে নিপালদু টিরুভানামালাই, টিরুচেন্দুর অমসুং পালানিগুপ্পা মরু ওইবা লাই খুরুম্ফমশিং, মরু ওইবা ট্রেদ অমসুং টুরিষ্ট সেন্টরশিং শম্নহল্লিবা মরু ওইবা লম্বীশিংনি। মরম অদুনা লম্বী চৎপশিংগী খুদোংচানবা লম্বীশিং অসি খুদক্তা ইমপ্রুভমেন্ট মথৌ তাই।

পূন্না কিলোমিটর ৫০০ শাংগদবা লম্বী নিপাল অদুদি-থিরুভানান্তাপুরম-কালাকুরিচি, ভালিটর-টিরুচেন্দুর, টামিল নাদুগী মেতুর ফাওবা শাংবা কোলেগল-হানুর-এম এম হিলস-পালার রোদ-টি এন বোর্দর, পালানি-ধারাপুরম, অর্কোট-টিন্দিভানম, মেটুপালায়ম-ভবানি, অভিনাসি-মেটুপুলারম অমসুং ভবানি-কারুরনি।

লম্বী নিপাল অসিবু নেসনল হায়ৱেশিং ওন্থোক্লবা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজনা 'ইন-প্রিন্সিপল' এপ্রুভেল পীরে অমসুং কুমজা ২০১৬ অমসুং ২০১৭তা দিটেল্ড প্রোজেক্ট রিপোর্ট (দি পি আর)শিং শেম শানবগী অয়াবসু পীখ্রে হায়না ষ্টেলিননা ফোঙদোকখি।

সুপ্রিম কোর্টনা য়েংশিল্লগনি

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১৮ (এজেন্সী): থবক্তগী পোথাগদবা নুমিৎ হুম্নিদা ঙাইরবা মতমদা গুজরাট কাদর আই পি এস ওফিসর রাকেশ অস্থানাবু দেল্লীগী পুলিস কম্মিস্নর ওইনা খনখিববু শীংনদুনা থাবা প্লি য়েংশিনবগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা শগোলশেন নুমিৎতা য়াখ্রে।

জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদনা লুচিংবা বেঞ্চ অমদা থমখিবা সবমিসনদা এন জি ও সেন্টর ফোর পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন রিপ্রেজেন্ট তৌরিবা এদভোকেট প্রসান্ত ভুশননা হায়খি, অস্থানাবু দেল্লীগী পুলিস কম্মিস্নর খনবদা অরান-অহুইগী থৌওং অমত্তা য়াওদে হায়বা দেল্লী হায় কোর্টকী রুলিং শীংনদুনা মহাক্লা নিংথৌকাবা ফাওবগী মনুংদা স্পেসল লিভ পিটিসন অমা ফাইল তৌরগনি। অদুম ওইনমক কোর্টঅসিনা হায় কোর্টকী জজমেন্ট চেলেঞ্জ তৌবা প্লি অমা খন্নবা য়াই হায়না সোলিসিটর জেনরেলনা ফোঙদোকখিবনি।

রাজস্থানগী বি জে পিগী এম এল এ রেপকী মরাল শীখ্রে

জয়পুর, নভেম্বর ১৮ (এজেন্সী): রজাস্থানগী গোগুন্দা কন্সটিট্যুএন্সিদগী কাবা বি জে পিগী এম এল এ অমা থা তরাগী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা রেপকী মরাল শীখ্রে। নুপী অমগী কমপ্লেন্টতা য়ুম্ফম ওইরগা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা উদয়পুরগী অম্বামাতা পুলিস ষ্টেসনদা প্রতাপ লাল গামেটিগী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি।

পুলিসনা ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌরবা মতুংদা ভিক্টিম অদু মেদিকেল টেষ্ট তৌখি। নুপী অদুনা মহাক্কী কমপ্লেন্টতা হায়, মহাক এম এল এ অদুগী মনাক্তা থবক অমা ফংনবা চৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা লুহোংগনি হায়জিল্লগা চহী অনীরোম মঙোন্দা সেক্স্যুএল এব্যুজ চৎখি।

ভালাভনগর এসেমব্লি বাই-ইলেক্সন পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মহাক ফোন তৌবদা পায়খিদে। হঞ্জিন হঞ্জিন ফোন তৌবদা পায়দবদগী মহাক্লা কমপ্লেন তৌনবা ৱারেপ লৌখি।

মশাগী চহী ৩৮ শুরবা নুপী অদুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা এস পিগী ওফিসতা অইবা কমপ্লেন্ট অমা পীশিনখি অমসুং কমপ্লেন্ট অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি। কেস অদু হৌজিক এ এস পি অঞ্জানা সুখৱালনা লুচিংবা সী আই দি-সী বি টিম অমনা পায়রি।

ভিক্টিম অদুনা হায়, মহাক থবক থীবদা এম এল এ অদুগা চহি অনীগী মমাঙদগী খঙনরকখি। অহানবদা মখোয় সোসলাইজ তৌখি, মমৈথংদা এম এল এ অদুনা মহাকপু লুহোংদুনা লৌগনি হায়না থাজহল্লগা নমদুনা য়ুম্বানবগী মরী লৈনহনখি। মহাকপু হাৎকনি হায়না কিহন্দুনা এম এল এ অসিনা মহাকপু মখা তানা এক্সপ্লোইট তৌখি।

থা মাপনগী মমাঙদসু মশাগী চহী ৫২ শুরবা এম এল এ অদুবু মধ্য প্রদেশকী অতোপ্পা বি জে পি লীদর অমনা রেপকী মরাল শীখি। নুপী অদুনা হায়, মহাক্কী য়ুম্বানবগী পুন্সি নুংঙাইত্রে হায়দুনা এম এল এ অসিনা মহাকপু লুহোংগনি হায়না ৱাশকখি। কেস অসিসু সী বি-সী আই দিনা ইনভেষ্টিগেসন তৌখি। অদুম ওইনমক য়ানবা পুরক্তুনা মেট্টর অদু সেট্টল তৌখি।

রজাস্থানগী গোগুন্দা কন্সটিট্যুএন্সিদগী কাবা এম এল এ অসি মহাক্কী পোক্লফম ওইরিবা দাদিয়া ভিলেজদা সারপঞ্চ অনীরক ওইরমখি।

ওৱাইসিগী কমপ্লেন্টতা ৱাসীম রিজবি বূক তৌখ্রে

হাইদরবাদ, নভেম্বর ১৮ (এজেন্সী): মুসলিমশিংগী মায়োক্তা হঙ্গোই-তুক্কচ্চবা পোকহনবা অমসুং প্রোফেট মোহম্মদপু ইকায়বা পীবগী মরালদা হাইদরবাদ পুলিসনা উত্তর প্রদেশকী হান্নগী শিয়া ৱাকফ বোর্দকী চেরমেন ৱাসিম রিজবি অমসুং মহাক্কী এসোসিএটশিং বূক তৌখ্রে।

এ আই এম আই এম চীফ অমসুং হাইদরবাদ এম পি অসাদউদ্দিন ওৱাইসিনা তৌবা কমপ্লেন্টদা য়ুম্ফম ওইরগা কমাতিপুরা পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি।

রিজবি অমসুং মহাক্কী এসোসিএটশিং আই পি সীগী সেক্সন ১৫৩এ, সেক্সন ১৫৩ বি, সেক্সন ২৯৫-এ, সেক্সন ৫০৪ অমসুং সেক্সন ৫০৫গী মখাদা বূক তৌখি। ওৱাইসিনা ট্বিটর পোষ্ট অমদা হায়, ৱাসিম রিজবিগী মায়োক্তা কমপ্লেন তৌরকপদগী এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌরে অমসুং কেস অদু এস আই, কমাতিপুরা পি এসতা শিন্নখ্রে। খূদক্তা এক্সন লৌখৎলক্কনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

অসাদউদ্দিন ওৱাইসিনা লুচিংবা ওল ইন্দিয়া মাজলিস-ঈ-ইতেহাদুল মুসলিমনা (এ আই এম আই এম)গী দেলিগেসন অমনা রিজবিগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হাইদরবাদ পুলিস কম্মিস্নর অঞ্জানি কুমারদা তকশিনখি। রিজবিনা প্রোফেট মোহম্মদপু করেম কথাইনবা লাইরিক অমা ইখি হায়বসিসু দেলিগেসন অদুনা পুলিস কম্মিস্নরদা খঙহনখি।

এ আই এম আই এমনা হায়রিবদি রিজবিগী ষ্টেটমেন্টশিং অদুনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মুসলিমশিংগী মায়োক্তা তাথিবগী ৱাখল পোকহন্দুনা লৈবাক অসিগী মরা তপ্পা ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই।

ফ্যুএল টেক্স হন্থনবা তকশিল্লদুনা এসেমব্লিদা খোঙনা চৎখ্রে

অমরাভতি, নভেম্বর ১৮ (এজেন্সী): জগন মোহন রেদ্দিগী মীয়ামগী মায়োক্তা ওইবা পোলিসিশিংবু প্রোটেষ্ট তৌরদুনা এসেমব্লি সেসনদা শরুক য়ানবগীদমক টেলুগু দেসাম পার্টি (টি টি পি)গী নেসনল প্রসিদেন্ট অমসুং ওপোজিসন লীদর এন চন্দ্রবাবু নাইদু অমসুং মহাক্কী পার্টিগী লেজিসলেটরশিংবু শগোলশেন নুমিৎতা মখোঙনা অন্ধ্র প্রদেশ এসেমব্লিদা চংখ্রে।

মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবদা মতেং ওইনবা গভর্ণমেন্টতা পেট্রোল অমসুং দিজলগী টেক্সশিং হন্থনবা তকশিল্লদুনা নাইদুনা লুচিংলিবা টি দি পি এম এল এশিং এম এল সীশিংনা লেজিসলেচরদা খোঙনা চৎখি।

পোৎচৈগী মমল কা-হেন্না ৱাংলবসু মীচম মীয়ামগী অৱাবা কোক্লবা থবক অমত্তা পায়খৎতবদগীদমক ৱাই এস আর সী পি রেজিমবু চৈথাংলদুনা টি দি পি মেম্বরশিংনা প্লেকার্দশিং পায়খি অমসুং স্লোগান কয়া লাউখি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ঙক কন্দুনা লৈরোইদবনি অমসুং পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমলশিং হন্থহনগদবনি হায়না টি দি পি চীফ অসিনা দিমান্দ তৌখি। ষ্টেট অসিনা ফ্যুএলগী মমল খ্বাইদগী হেন্না ৱাংই হায়না ক্লেম তৌরদুনা মহাক্লা হায়খি, ফ্যুএলগী মমল হেনগৎপা অসিনা অতৈ তঙায় ফদবা পোৎলমশিংগী মমল হেনগৎলক্তুনা মীচম মীয়ামদা পোৎলুম পীরে। গভর্ণমেন্টনা ইলেক্ট্রিসিটি টরিফ হন্থবগা লোয়ননা ম্যুনিসিপাল টেক্সশিংসু ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়নসু মহাক্লা দিমান্দ তৌখি।

ꯂꯥꯟꯅ-ꯊꯧꯔꯝ / লান্ন-থৌরম

হৈ-লাই মরু কাসনা মপুরেল হৈরোম সিদবা
(মথৌ য়াংদেনবা)
(লাইনিংহল)

LAININGBI EMA SANAHANBI

তাইবংপান অসিদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবিরম্বী লাইনিংহল **থাংজম সনাহনবি লৈমা**-না তাইবং চেংজেল লোইরদুনা নুংশিরবা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং অমদি শাগৈ-নাতৈ খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা চৈচৎ ১২/১১/২০২১ কুমজা, হিয়াঙ্গৈগী ৮নি পানবা ইরাই নুমীৎতা মপুগী লৈকোন্দা লৈরাং-লৈনম ওইনা তিনজখ্রে।

চৎলিবা চৈচৎ ১৬/১১/২০২১ কুমজা, হিয়াঙ্গৈগী ১২নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা মঙানি লৈহুল তমজরগা, চৈচৎ ২২/১১/২০২১ কুমজা, হিয়াঙ্গৈগী ১৮নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী য়াইবী থৱায়না মপূগী লৈকোন্দা ঈংনা-চিক্লা তিঞ্জরুনবগীদমক মপূগী মিংখৈ শকচ-শোঞ্জদুনা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং কৎচদুনা লান্ন-থৌরম পাঙথোকচগদৌরি।

থৌরম অসিদা অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি ইচে-ইচল খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা মপূগী মিংখৈ শকচ-শোঞ্জবা অসিবু য়াওবিরনবা পাউচেগী থোঙদা লৈরাং লৈহুৎ শিঞ্জদুনা পাউজেঞ্জরি। পাউচেগী থোঙদা লৈরাং লৈহুৎ শিঞ্জদুনা পাউজেঞ্জবগী অরান-অহুই খিবিক ঙাকপীগনি।

অয়ূক পুং ৮:০০ - লাইশোন হৌবা।
অয়ূক পুং ১০:০০ - ঈশৈ হৌবা।
অয়ূক পুং ১১:০০ - লুক কৎপা।
অয়ূক পুং ১১:৩০ - ময়াম পূন্না লুকলেন ফংমিন্নবা।

পাউজেঞ্জরিবশিং ঃ-

১) সগোলশেম ওংবী ইন্দিরা লৈমা (মচানুপী)
২) সালাম ওংবী জীবিন লৈমা (মচানুপী)
৩) সাপম ওংবী রিতা লৈমা (মচানুপী)
৪) অকোইজম ওংবী রানালক্ষ্মি লৈমা (মচানুপী)

১) সগোলশেম নিপামচা সিংহ (ময়ানুপা)
২) অকোইজম হরিকান্তা সিংহ (ময়ানুপা)

HL-P/0686/19

চীংঙামখা চানম পুখ্রিমপাল, শিংজমৈ।।

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 401/AS & SO/III **Date 17-11-2021**

1. Sharon Lamneng Haokip D/o Hawlngam Haokip
   of 1st Street New Lambulane
2. Thongkhohling Haokip W/o Hawlngam Haokip
   of 1st Street Lambulane - Petitioners

-Vs-

Late Hawlngam Haokip S/o Late Jamkhothang Haokip
of New Lambulane - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Imphal, 18-11-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 26(A)-Nongpok Ingkhol পাট্টা নং 1126 অরিবা 442 অনৌবা দাগ নং 2228 এরিয়া 0.0153 হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Hawlngam Haokip মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 26-11-2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- **Asst. Survey & Settlement Officer,**
III-Manipur

HL-P/0680/19

CHANURA LEIKOL, CHILDREN HOME

Khurai Kongpal Laishram Leikai, I/E.
Run By Universal Caring Mission

[illegible] / VACANCY ANNOUNCEMENT

Sl.No.	Name of Post	No.	Qualification	Age	Desirable
1	Residential Care Taker	2	Graduate	18-35 years	Having Computer Knowledge.
2	Vocational Instructor	1	XII Passed	18-35 years	Diploma in any Vocational Trade

Interested Female candidate are hereby to submit your latest resume and recent passport size photograph at **Universal Caring Mission, Khurai Lamlong Thongkhong, Imphal East.**

Last date of application submission : **23/11/2021**
Date of Interview : **24/11/2021**

For Details : **Secretary, UNICAM**
Tel. No. 8132857580 (M)

HL-P/0673/19 & 20

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref. Mutation Case No. 354/SDC/IW(H) of 2021

Akoijam Momon Leima W/o (L) Nodiyachand Meitei
of Kwakeithel Konjeng Leikai

-Vs-

Shree (Late) Koijam Nodiyachand Meitei S/o (L) Amu Singh
of Sangaiprou Ningthoukhongjam Leikai

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 18th Nov, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 45-Sangaiprou পাট্টা নং 339 (অরিবা) 52 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং 1333 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.141 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 27-11-2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/0681/19

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; HIYANGTHANG

Ref. Mutation Case No. 352/SDC/IW(H) of 2021

1. Nongmaithem Mohon Singh
   S/o Late Nongmaithem Krishnakumar (Kirankumar)
   of Koyathong Nagamapal Petitioners/দংকারি

-Vs-

Late Nongmaithem Krishnakumar (Kirankumar) S/o Late Siprosad
Koyathong Nagamapal O.P/বিবাদি

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 18th Nov, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ও: খুল ৭৭ নং-লংথবাল লেপ, অনৌবা পাট্টা ৭৪/৫১৩ নং হাল দাগ ১০৮৭/১৪২৪ নং গী মোট এরিয়া ০.০৬ একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার নোংমাইথেম কৃষ্ণকুমার (কিরনকুমার) সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা/দংকারীনা মশাগী মিংদা নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২৫/১১/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। পীরিবা নুমিৎ অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/0674/19

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

Ref. Mutation Case No. 562/SDC/IW(P) of 2021

Oinam Alex Singh S/o (L) Rishikesh Singh
of Langjing Achouba Mamang Leikai - Petitoner

-Vs-

Late Khangjarakpam Kamala Devi D/o (L) Kh. Jugindro Singh
of Langjing Achouba - Deceased Pattadarini

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

18/11/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউ-চেগী খূত্থাংদা খঙহঞ্জরি, ই: ও: পাৎশোইগী খুন নং ১০৪/লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নং ৪১ (অরিবা), ৮৮৫/১২৫৪ (অনৌবা)গী দাগ নং ১১৪৫/১৬২০ এরিয়া .০৩ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মৃ: ওইখিবী পাট্টাদারিনি মমাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুং ইন্না নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারনিনি মমাগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৫/১১/২০২১ ইংগী অয়ুক পূং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মরম অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজররোই, কোর্টকী হুকুম চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Patsoi

HL-P/0676/19

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

Ref. MISC Case No. 439/SDC/IW-L/2021

Sunita Ngashepam W/o Chirom Rajketan Singh
of Lamdeng Khunou Lamsang Bazar - Petitioner

-Vs-

Late Loitongbam Raghumani Singh S/o (L) Kumar Singh
Haorang Sabal - OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

18-11-2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লোইতোংবম রঘুমনি সিংহ পীতা মৃত কুমার সিংহ সাং হাওরং সাবলগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৬৪-হাওরং সাবলগী অনৌবা পাট্টা নং ৬৫৬ দাগ নং ১৩০৬ গী এরিয়া ০.২০ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিং পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector:**
IW : Lamsang

HL-P/0667/19

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref. Mutation Case No. 178/SDC/Kakching

1. Md. Manawar S/o Late Md. Basiruddin @ Md. Nasib Ali
   of Sora Makha Leikai
2. Md. Yakub Ali S/o Late - do - of - do -
3. Sanowar S/o late do - of - do -
4. Md. Jafar Ali, S/o Late - do - of - do - - Petitoners

-Vs-

Late Md. Nasib Ali S/o Late Jame
of Sora Makha Leikai - Opp. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dated/ Kakching the 17th Nov, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ককচিং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৬১-ইরেংবন্দ পাট্টা নং ৬৬০ (অনৌবা) দাগ নং ৪৩২৪ গী এরিয়া .৫০৫৮ হেক্টর চাওবা অঙনফৌ মফম অসিগী পাট্টাদার অসি লৈখিদ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা নমা পানবিয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ-চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Kakching

HL-P/0669/19

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref. Mutation Case No. 353/SDC/IW(H) of 2021

Shree Longjam Sunilata Devi W/o (L) Longjam Suresh Singh
of Sangaiprou Mamang Leikai

-Vs-

Shree (Late) Longjam Suresh Singh S/o (L) Nobin Singh
of Sangaiprou Mamang Leikai

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 18th Nov, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 45-Sangaiprou পাট্টা নং 348/503 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং 42/323 (অরিবা) গী এরিয়া 0.04035 একর/হেক্টর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 26-11-2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/0681/19